ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মরাম য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা লোক ভবনদা গভর্ণরগা উন্নদুনা মরামগী মীয়াম্না মায়োক্নরক্লিবা অৱা-অনা অমসুং খুদোংচাদবশিং কোকহনবীয়ু হায়জবগা লোয়ননা মরাম ট্রেদিশনেল সিষ্টমবু শকখঙবগা লোয়ননা দোক্যুমেন্টেশন তৌবীনবা হায়জবা


লৌশীং পূক্কে : চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপা-নুপী ... লামায় ২
লামায় ৪ লাঙদ্রগনা ঈশে, লাঙলগনা করিনোমা
ঐখোয় ৱাখল লায়নাগী ইপিদেমিক অমা মায়োক্নরব্রা? লামায় ৫
লামায় ৬ ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুরগী গভর্ণরনা...
'বাংলাদেশ খুন্নাইদা অহোংবা লাক্লিবসি নুংনাংনিঙাইনি... লামায় ৯
লামায় ১২ এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টঃ এস য়ু সগোলবন্দ...


তমেংলোংদা পাঙথোকপা ১৮শুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল ২০২৫গী লোইশিন থৌরমদা শরুক য়াখিবা খুঞ্জাশিংবু অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ সেক্রেটরি পুনীট কুমার গোয়লনা তরাম্না ওকপা




Vol. 49, Issue No. 256 | থাংজ, পোইনুগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, December 20, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# হৈরোককী মফম ৫দা এ আর, আর্মি ১সুং পুলিসনা হেলিকোপ্টর অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা থোমজিল্লকপদা খুঞ্জাশিং মিপাইনখ্রে

## হেলিকোপ্টরনা পেরা কম্মান্দো পর্সনেলশিং হোল্লকখি, ম্যান্মারগী মিন থার ষ্টেটকা হৈরোককগী মরক্তা শুপ্নতগী কিলোমিটর ৪০ রোমদমক লাপ্পবদগী ম্যান্মাররোমদগী অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টিশিং চঙশিল্লকপদা মায়োক্নবা থৌরাং লৌখৎপা ওইরমগনি থাজনরি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** কোকোমি, আই দি পিশিং অমসুং মীয়াম্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈন্রাম ৱারোইচীংদা ইমুং ৬৪গী আই দি পি ২৫৭ হঞ্জিলহনখিবগা লোয়ননা তোর্বুং/ফৌগাকচাও ইখাইদসু আই দি পি খরা হোংজিলহনবা হৌরকপদগী থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা লান চথুরকপগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরক্লিঙৈগী চৈরক্তা খঙহৌদনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোককী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মশীং য়াম্লবা অসাম রাইফলস, আর্মি অমদি পুলিস পর্সনেলশিংনা দ্রোন অমদি হেলিকোপ্টর ফাওবা শীজিন্নদুনা থোমজিল্লকপদা হৈরোককী খুঞ্জাশিং খংপ্রেক খংদুনা মীপাইনখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, খঙহৌদনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদা হৈরোক পি এসতগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্পনা লৈরিবা চীংগী শরুকশিংদা অসাম রাইফলসকী ৩১, ৩৩ অমসুং ৪৬শুবা বট্টালিয়নগী য়াম্লবা পর্সনেলশিং, বি এস এফকী ৩৪শুবা বট্টালিয়নগী 'জি কম্পনি' গী পর্সনেলশিং অমসুং পুলিসকী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিংনা এরিয়া দোমিনেশন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চৎলিবা দিসেম্বর থা লোইগদবা নুমিৎ ১২নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে লৈঙাক্লা আই দি পি পূম্নমক ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমগদৌরিব্রা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** কোকোমি অমসুং আই দি পিশিংনা মাঙজিল থারগা মীয়াম্নসু শৌগৎনরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু লৈঙাক্লা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ১৯নি শুজিনখিবগা লোয়ননা থা অসি লোইগদবা শুপ্নতগী নুমিৎ১২নি খক্তা ঙাইশিল্লকপদগী লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু মশীং শুনা হঞ্জিলহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

মমাঙ থাগী ২১দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা লৈঙাক্লা নম্ফুদা পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ অদু ফাওবদা আই দি পি অমসুং কোকোমিগী মায়কৈদগীদি ফেষ্টিবেল অদু পাঙথোকপগী মহুত্তা মদুদা থাদগদবা শেনফমশিংনা আই দি পিশিংগী অৱাৎ-অপা মেনখৎনবা পীবীবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লবা মতুংদা পাঙথোকপীয়ু হায়জখিবনি। অদুম ওইনমক ৱাফম অদু লৈঙাক্কী মনাদা হাপখিদবদগী নম্ফুদা পাঙথোরকপদা আই দি পি অমসুং কোকোমিনা বোইকোট তৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

### তোর্বুং এটেককী মায়োক্তা কোকোমিনা কমপ্লেন্ট তৌবদগী ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেশনना কেস এফ আই আর নম্বর ৩৮ (১২) ২০২৫ লৌখৎখ্রে

খোঙজং অদুগী মখা তারকপদা থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা নুমিৎ খুদিংগী লম্বোইখোংনাংখোঙদা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনা শিল্লোন-শিঞ্জিন তৌদুনা ৱাকৎ খোঙজং চথুরকখিবনি। অদুগা খোঙজং চঙশিনবা নুমিৎ খুদিংগী আই দি পিশিংনা খৃৎয়েক পীদুনা গভর্ণরদা অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিন্দুনা থা অসিগী মনুংদা মখোয়বু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়বগী ৱাফমসু লেপ্তুনা ফোঙদোরক্লিবনি।

ঙসিসু চুড়াচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ক্বাক্তাগী সেরিকলচর কমপ্লেক্সতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পি অনীনা খৃৎয়েক পীদুনা গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীশিনখি। ঙসি পীশিনখিবা চেরোলদা আই দি পিশিংগী মরক্তগী খরা হোংজিলহনবা হৌরক্লবা তাঞ্জাদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অমুক হন্না তোর্বুং, ফৌগাকচাও ইখাই অমসুং মফম অনীসিগা লোন্নবা এরিয়াদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা অকনবা এটেক চথুরকখিববু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

ঙসি গভর্ণরদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুগী কোপি অমসু চীফ সেক্রেটরিদসু পীশিনখিবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জুন অমসুং জুলাই থাদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### কৈথেলমানবীদা ত্রক ৮ লুট তৌখ্রে, নন-লোকল ড্রাইভরশিং ফূরক্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ পুরকপা ত্রক ৮ খূৎলায় পায়বশিংনা কাংপোকপী অমদি মোটবুংগী মরক্তা লৈরিবা কৈথেলমানবী এরিয়াদা নমদুনা খাল্লগা গাড়ী ড্রাইভরশিংগী মশাদা য়াওরকপা শেলশিং মুনবগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১দগী চথুরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী নীংথম মীফমশিং ঙসি সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে।

হন্দক্কী মীফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোরকখিবা বিক্সিট ভারত-গরেন্টি ফোর রোজগর এন্দ অজিবিকা মিশন (গ্রামিন) বিল (ভি বি-গ্রাম জি) ২০২৫ পুথোরকপদা ওপোজিশনগী মায়কৈদগী য়ানীংদবা অকনবা খোল্লাও লাউদুনা অথিংবা পীনবা হায়রকখ্রবসু বিল অদু শগোলশেল নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদা লোক সভানা ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

ঙসিগী ওইনা লোক সভানা ঙসিগী মীফম হৌরকপগা ইকান কান্নদনা স্পিকরনা সভা অসিবু সাইনে দাই এদজোর্ন তৌরে হায়দুনা লাউথোকখি। অদুগা রাজ্য সভাদনা এদজোর্ন তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা পেপরশিং হাউসতা টেবল তৌখি।

### পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা ভি বি-জি রাম বিজি বিলগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** ন্যু দেল্লীগী ইন্দ্রজিৎ গুপ্ত মার্গকী অজয় ভবনদা হেদ ওফিস ওইরিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা থৌবু ওইনা শীন্দুনা ঙসি লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টমীফম্না এম জি নরেগাগী মহুৎ শিন্নবগীদমক ভি বি-জি রাম জি বিল, ২০২৫ পাস তৌখিবগী মায়োক্তা থা অসিগী ২২দা লৈবাক শিনবা থুংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনগদৌরি।

পার্টি অসিনা ফোঙদোরকপদা এম জি নরেগাদগী অতম্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মহাত্মা গান্ধীগী মমিং লৌথোক্লবা হোৎনখিবনি হায়রি। থৌওং অসি চথুরক্কনি হায়বা মাঙ-জৌননা খঙই হায়রদুনা সী পি আইগী মায়কৈদগী পাস তৌখিবা বিল অসি রিজেক্ট তৌগদবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# সেন্ত্রেল ফোর্সতা থাজদ্রে, য়ু এন এল এফ-এম পি এ ওইনা থম্বীরো হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লে : চন্দ্রমনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** পি আর গভর্ণমেন্ট লৈনা লৈনা হন্দক্তা তোর্বুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনা তোর্বুং অমদি ফৌগাকচাও ইখাইগী মীওইশিংনা সেন্ত্রেল ফোর্সকী মহুত্তা য়ু এন এলএফ-এম পি এ ওইনা থম্বীরো হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না ঐখোয়গী লূপশিংদা ফোঙদোরক্লে হায়না ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেশন মণিপুর (ইপোম) গী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ চন্দ্রমনি খুমনচানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা ইপোম, মৈতৈ পাঙল কাউন্সিল মণিপুর (এম পি সী এম), অনৌবা শেন্মীৎলোন মণিপুর, মণিপুর পিপলস ফ্রন্ট (এম পি এফ), ৱর্ল্দ মৈতৈ ওর্গনাইজেশন (দব্লিয়ু এম ও) অমসুং পলেমনচিংবা লূপশিংনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

কে ঐচ চন্দ্রমনিনা হায়, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা আই দি পিশিং ময়ূমদা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

# কোটুনা খোঙলৌ-পলহৌবা ঙমখিদ্রবা মালেম থোঙাম তেক্ত-কায়দনা থুংলরে

### হায়ৱেদা মীতৈ চংহন্দবগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌনবা পীস ফোরমশিংগী মতেং লৌরগনি : মালেম থোঙাম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংগী চৈথেং



নংলিবা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লৈহন্নবগী পাউজেল ...মখা লমায় ৮ কলম ৪

# দ্রগ য়োনবী ৩ ফারে, শোট গন অমা, হিরোইন অমসুং লুপা ৭০,৪১০ ফংলে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা পোরোম্পাৎ পি এসকী মনুং চনবা খেরগাও য়ুমখাইবম লৈকায়দগী দ্রগ য়োনবী অহুম শোট গন অমা, হিরোইন গ্রাম ১৪০ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৭০,৪১০গা কোন্ননা ফারে ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটেরিএটতা অরানবা রিক্রুটমেন্ট চত্থখি হায়বগী ৱাকৎ

# কুমজা ২০১৬তা মীওই অমবু 'অন্দর সেক্রেটরি' ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ওর্দর হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৯ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ২৮দা মতম অদুগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্না মীওই অমবু এসেমব্লি অসিগী সেক্রেটরিএটকী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা রেগুলর বেসিসতা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অদু চৎনহনবীগনু অমসুং পোষ্ট অসি পব্লিক পোষ্ট অমা ওইবনিনা মহাকপু পোষ্ট অসিগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীখিবা থৌওং অদু ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চত্থখিবনি হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরক্লে।



ৱাকৎ অসি এসেমব্লি অসিগী সেক্রেটেরিএটতা এপ্রিল ২৬, ২০১৬তা কম্মিটি ওফিসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরবা মতুংদা প্রমোশনদা মে ৮, ২০১৮দা অন্দর সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগীদমক থবক তৌমিন্ননবা খন্নখিবনি : বিরেন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংগা মণিপুরদগী পার্টি অসিগী এম এল এশিংগা হন্দক উন্নদুনা ৱারী শানখিবদুদা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি অথুবা মতমদা হান্নগুম্না এসেমব্লি হিঙ্গৎহন্দুনা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা খন্নখিবনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মহাক্লা দেল্লীদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মখা তানা হায়, হন্দক্কী দেল্লীগী খোঙচৎসিদা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওরগা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগা পূন্না লমদমসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা মাঙজিল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### দেল্লীদগী ইম্ফাল ফাওবগী এরোপ্লেন টিকেটকী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদগী ইম্ফালদগী গুৱাহাটি, ইম্ফালদগী কোলকটা অমসুং ইম্ফালদগী দেল্লীনচিংবগী মরক্তা সর্ভিস তৌরিবা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটকী টিকেটকী মমল মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা খংহেন হেনগৎলক্লে হায়দুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ফাওবা ৱাকৎনরকপদগী গভর্ণর এ কে ভল্লানা সিভিল এভিএশনগী মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ইম্ফালদগী গুৱাহাটি ফাওবগী য়াওনা সর্ভিস তৌবা ফ্লাইট ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### শটডাউন তৌগদবনা মৈ ফংলোই

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** এম এস পি দি সী এলগী ক্বাকৈথেল সব দিভিজন-ৱান (আই ঈ দি-ৱান) গী মেনেজরনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২১দা অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা শগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকায়দা য়ু জি কেবল রিপ্যারিং তৌগদবা অমসুং শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা জি ও তৌগদবনা নুমিৎ অসিগী পুংফম অসিগী মনুংদা ক্বাকৈথেল সব দিভিজন-ৱানগী ১১/কে ভি ইষ্টর্ন-টু ফিদ্দরগী শটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগীনা ৱাহেংবম লাইন ফাওরগা শগোলন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকায়গী এরিয়াশিংদা মৈ ফংলোই হায়রি।

### পোপি পাম্বী য়াস্থৎখ্রে, লৌশঙ ২০ মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মুল্লম অমসুং সোংফেল এরিয়াগী এল এম ব্লোকতা একর ১১৮ চাউবা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াস্থৎতুনা মাঙহনখিবদা নত্তনা মফম অসিদা লৈরম্বা লৌশঙ ২০সু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

### য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবি অৱাং লৈকায়দগী থাংজম সুরনকুমার এলিয়জ রাজেস এলিয়জ অচৌ এলিয়জ লুৱাংচা (২৯) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা শীংজমৈ পি এসনা কোনবা মৈতৈ লৈকায় ক্রোসিংদগী মোবাইল ফোন অমা, আধার কার্দ অমা অমসুং লুপা ৩০০ য়াওরম্বা ৱাল্লেট অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### মিনিষ্ট্রিনা অথিংবা থমদুনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোকহনখিদ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):** চহী খুদিংগী অরোইবা থাদা হেক-হেক লাউথোক্তুনা লাকপা চহী-চহীগী তোঙান-তোঙানবা লোল ২৪দগী খনগৎলবা লিটরেচরগী পোথোকশিংদা পীবা ইকায়খুম্নবা 'সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ' ফংলগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা অথিংবা পীরকপদগী লাউথোকখিদ্রে। মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা ওটোনোমস বোদি ওইনা লৈরক্লিবা একাদেমিনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩দা পাউজী মীফম পাঙথোক্তুনা এৱার্দ অসি ফংলগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরকপদা মিনিষ্ট্রিনা এৱার্দিশিং চ্যেক তৌখিগনি হায়দুনা অথিংবা পীরকপনি হায়রি।

# পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা পায়খৎকদবা পেকেজশিংগী থবকশিং লৈঙাক্লা অরেম্বদা মাঙহল্লে : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** প্রসিদেন্টস রুল লাক্ত্রিঙৈদা লৈরম্বা লৈঙাক্লা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমগৎলমগদবা লম্বী থোং কয়া শেমগৎতনা অরেম্বদা মাঙহল্লে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইরিবা ৱাঙ্খেম এ সীগী চরাংপাৎ খুল ফাওদুনা চৎলিবা কিলোমিটর মঙারোম শাংবা ইন্টর ভিলেজ রোদতা এম এল এনা পোটহোল মেনবগী থবক পায়খৎপা হৌরদুনা ফোঙদোকখিবনি। থবক অসিবু য়েংশিল্লদুনা এম এল এনা মখা তানা হায়, চরাংপাৎকী লম্বী অসি শেম্নবা কুমজা ২০১৯দগী হৌরগা রুরেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ৭ সেঙ্কশন তৌরকখ্রবা পেকেজ অমনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা মখোয়গী খূৎচাবী কন্ট্রেক্টর ২/৩ খক্তদা থবক পীনবা হোৎনরিঙৈদা ঙসি ফাওবা পি এম জি এস ৱাইগী টেন্দর অমত্তা তৌবা ঙমদনা লৈরে। টেন্দর তৌনবগীদমক অনীরক হোৎনখ্রে অদুবু ঙমদ্রি। ৱাঙ্খেম এ সীগী ওইনসু ...মখা লমায় ৮ কলম ১

### মশুনুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মপুবোক কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পীকপগী হৌনবা মীশিং য়ামজদ্রবসু নুপী অঙাংদা চৎহৈদবা লীচৎ চৎপগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোরকপগী মনুং চন্না ঙসিদগীনা চহী মরি রোমগী মমাঙ কুমজা ২০২১গী নবেম্বর থাদা মশাগী চহী ১১ রোম খক্তমক শুরিবী মশুনুপীবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বগী চার্জদা কোর্টনা ৱায়েল চথুরকখিবা মতম অদুদা মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরবা মীওই অমা মহাক্লা চংখিবা লীচৎ অদুগীদমক মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর ৱান মণিপুরগী স্পেশল জজ আর কে মেমচাগী কোর্টনা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীরবা মীওই অসিগী মমিং নোংথোম্বম মধুমঙ্গল অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইবোহল কৌই, লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা পৌওরাবী ময়ায় লৈকায়দগীনি হায়রি।

নুপীমচা অদুবু মহাক্লা কুমজা ২০২১গী নবেম্বর থাদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ইকায়খুম্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫